# ‘রোহিট নৎত্রগা রাহুলনা কেপটেন ওইগদ্রা’ টেষ্ট কেপটেন খন্নবা মতম য়াম্না লৈরি : বি সী সী আই



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৭ (এজেন্সি):
টেষ্ট ক্রিকেট সেরিজদা সাউথ অফ্রিকাগী মখুত্তা ইন্দিয়ানা ১-২ দা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা টেষ্টকী কেপটেন ওইরম্বা ভিরাত কোহলি মহাক্কী কেপটেনগী মফমদগী পোথাখ্রবা মতুং কনানা কেপটেন ওইগনি হায়বা ৱাহংশিং মায়কৈকয়াদগী হংনরক্লি। অমরোমদা টেষ্ট ক্রিকেট সেরিজগী অনৌবা কেপটেন খনবগী মতম য়াম্না লৈরি হায়না বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া বি সী সী আইনা ফোঙদোকখ্রে।

টেষ্ট সেরিজগী কেপটেন অসি হৌজিক ভাইস কেপটেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মনা ওইগদ্রা নৎত্রগা কে এল রাহুলনা ওইগদ্রা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরকখিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা বি সী সী আইনা কেপটেন খন্নবগী মতম য়াম্না লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা বি সী সী আইগী ওফিসলনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিকমক্কী ওইনা কেপটেন ফমদগী তোকখ্রবা ভিরাট কোহলিগী মহুৎ শিন্নবা খন্নবা লৈত্রি। মতম চানা বোর্দ অসিনা কেপটেন খন্নবগী ফিরেপ লৌগনি। য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুংদা অনৌবা কেপটেনগী মমিং লাউথোক্কনি। মরক অসিদা ইন্দিয়া টিমগী ওইনা শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা চরাংনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফমশিং লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হায়রোইদবনি। অথুবা মতমদা সেলেক্সন কম্মিটিনা হিরম অসিগী ফাইনেল রিকম্মেন্দেসন তৌগনি।

অদুম ওইনমক ভিরাত কোহলিগী মহুৎ শিন্নবা অনৌবা কেপটেন অমা খনবা হায়বসি অরাইবা থবক্তি নত্তে। ইন্দিয়া টিমগী ওইনা মমিং লৈহৌরগদবা প্লেয়র অসিগী হৈ শিংবা মীয়াম্মা হেন্না খঙনরবা ৱাফম্মি। ইন্দিয়া টিমগী খ্বাইদগী ফবা কেপটেননি হায়না মীয়াম্মা খঙনরিবা ভিরাট কোহলিনি। মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা কপেটেন ওইবদগী তোকখিবা কুমজা ২০১৫ দগী ভিরাটনা কেপটেন ওইদুনা লাকখিবনি। চহী ৭ মহাক্না কেপটেন ওইদুনা লাকখিবা অসিদা ইন্দিয়া টিমনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। মহাক্কী মখাদা ইন্দিয়া টিমনা শান্নবা হৌরকখ্রবা মতুং আই সী সী টেষ্ট রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা আই সী সী ৱার্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপতা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইবসু ঙমখিবনি। মহাক্না কেপটেন ওইরবা মতুং ইন্দিয়ানা ইহান হানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈমায়দা টেষ্ট সেরিজ থোইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা সাউথ অফ্রিকাগী মখুত্তা ১-২ দা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং মমিং লৈরবা ইন্দিয়ন কেপটেন অসিনা মফমদগী পোথাখিবা অসিগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংনরক্লি। মহাক্কী টিম মেটশিংগী মরক্তা মহাকপু তোকহন্নবা নিংহন্নবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখিবা লৈ হায়নসু রিপোর্ট খরনা পল্লি। অদুবু হায়রিবা অসিগী চপ চাবা খুদম ফংবা ঙমদবনা মরম ওইরগা মহাক্না কেপটেন ফমদগী পোথাখিবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## জোকোভিক য়াওবা ফংখিদবা লাইবক থিবনি

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ১৭ (এজেন্সি):
নোভাক জোকোভিককী মতাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কোর্টনা পীফম থোকপা ৱায়েল পীখ্রে। মসিদা ঐখোয়না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লিঙাই লৈতে। অদুবু জোকোভিককী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া লৈখিবা অদু মহাক মতোমতগী মরাল নত্তে হায়বসিদি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জোকোভিক য়াওবা ফংখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না স্পেনগী মমিং লৈরবা টেনিস শান্নরোই রাফেল নদালনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জোকোভিকনা অহানবা কোর্ট কেস অদুদা মায় পাকখি। অদুবু মখা তানা অমুক মহাক্কী ভিসা কেন্সেল তৌখিবা অসি মরম চাবা ৱাৎলি। মহাকপু কোর্টনা মরালগী মতুংইন্না ভিসা কেন্সেল তৌখ্রবসু চয়েৎনবশিং অসিদা চেন্নরিবা অসি জোকোভিক মতোমতা নত্তে। মসিদা অতোপ্পা মীওইশিং চেন্নে। মখোয়শিং অদুসু কোর্টনা চৈরাক পীফম থোকই।

অমরোমদা জোকোভিকনা ফোঙদোকখিবদা, কোর্টনা চথখিবা ৱায়েল অদুবু মহাক্না মীরাইবা লৈতে। অদুবু মহাক শান্নবা ফংখিদবা অসি য়াম্না ৱারৌই। অদুবু মহাক্কী ফেনশিংনা পুক্নিং হন্থবা তৌরোইদবনি হায়রি।

## দ্রেস হাউস এফ সীনা মরুপ এফ সী থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ৫ দগী হৌরগা ইপুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুঙদা হায়েল য়ং পোপুলর ক্লব, হায়েলনা শিল্লগা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা প্রধান ট্রোফি-২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা মেটচতা দ্রেস হাউস এফ সী, পাটসোইনা মরুপ এফ সী হৈরোকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা প্রধান ট্রোফিগী ফাইনেল মেটচ য়ৌবা ঙমখ্রে। ফাইনেল মেটচতা দ্রেস হাউস এফ সী অমসুং য়াইওইবী এফ সী লমজাও থেংনরগনি।



ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা মরুপ এফ সী, হৈরোক অমসুং দ্রেস হাউস এফ সী, লমজাওগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী হৌগৎলকপদা টিম অনীনা য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখি। অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং হৈনাশিংনা ঙাকথোক্লখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইরমদাইদা দ্রেস হাউস এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়রগা শান্নবা ঙমদুনা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনিটতা মরুপ এফ সীগী গোল পোষ্ট মনাক নক্লা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী নেট্রাজিৎ (১৫) না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা মরুপ এফ সীনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লবা তাঞ্জা মায়োক্লরিবা লম্বা দ্রেস হাউসনা পীদবদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। দ্রেস হাউসকী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা এটেকশিং চথুদুনা শান্নরিঙৈদা খঙহৌদনা দ্রেস হাউসনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমনা মরম ওইরগা মরুপ এফ সীগী প্লেয়রশিংদা চরাংনবশিং পোকহনখি। মেটচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনটতা দ্রেস হাউসনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা নেট্রাজিৎ (১৫) না অমুক হন্না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। পাঞ্জল অনী চনখ্রবা মতুং দ্রেস হাউস এফ সীকী ওইনা কা হেন্না এটেকশিং চথুবা উখিদে। অদুবু মরুপ এফ সীগী ওইনদি পাঞ্জলশিং হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী পান্দমগা লোয়ননা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। মখোয়না দ্রেস হাউসকী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখিবা ফজরবা বোল কয়া হৈশিংলবা দ্রেস হাউস এফ সীগী প্লেয়রশিংনা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা তাঞ্জা অমত্তা পীখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী দ্রেস হাউস এফ সীনা পাঞ্জল ২-০ দা মরুপ এফ সীবু থোইখি। য়াইওইবী এফ সী অমসুং দ্রেস হাউস এফ সী টিম অনীগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নবগী মতম অথুবা মতমদা লেপ্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

## এস দব্লিয়ু সী অমসুং এস এ এল এফসী মায় পাকখ্রে

ককচিং, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ইরেংবন হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চৎথদুনা লাক্লিবা মঙাশুবা নাইন এ সাইদ ষ্টেট ওপন ভিলেজ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এ এল এফ সী অমসুং এস দব্লিয়ু সীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লবা লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসি এস এ এল এফ সী অমসুং সী য়ু বি য়াইরিপোক টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা এস এ এল এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১৪ শুবা মিনিটতা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা এস এ এল এফ সীগী অব্দুল হাফিস (১৭) না মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাল্ফকী ওইনসু টিম অসিনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা পুন্না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুবু সী য়ু বি গী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী এস এ এল এফ সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থিখি।

নুংথিল পুং ৩.৩৫ তাদবা অনীশুবা মেটচ ওইনা এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং টি ৱাই পি এ সোরাগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা এস দব্লিয়ু সীনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা টি ৱাই পি এ বু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

## কে এস সী, ৱাই য়ু এফ সী অমসুং এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):
তাকয়েলগী সাইকমপ্লেক্সতা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল সী অর পি এফ, ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস সী, ৱাই য়ু এফ সী অমসুং এস য়ু মায় পাকখ্রে।



ঙসি অয়ুক পুং ৯.০৫ তাবদা কে এস সী অমসুং এস এস য়ু টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবদগী অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনিটতা কে এস সীনা পুশিল্লকখিবা ফজরবা বোল অমনা টিম অসিগী ঐচ রোবিনসন খোঙসাই (১৫) না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমম্নখিদবদগী কে এস সীনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা অদুম্মক লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদসু টিম অনী অদু অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্ন খিদে। মসিনা মরম ওইরগা মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেটচ অদু কে এস সীনা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ পুং ১১.৪৫ তাবদা আর এ য়ু (রাউ) অমসুং ৱাই য়ু এফ সীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিগী ওইনা ৱাই য়ু এফ সীনা রাউবু খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা মীয়াম্না উখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বদগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ২০ শুবা মিনিটতা ৱাই য়ু এফ সীনা রাউগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। রাউনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু অহানবা হাল্ফকী অরোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ৱাই য়ু এফ সীনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী ওইনসু ৱাই য়ু এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী ৭১ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমদুনা পাঞ্জল ২-০ দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা রাউগী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মায়থিহৌখি।

নুংথিল পুং ১.১৫ তাবদা এ এফ সী থৌবাল অমসুং এস য়ু সগোলবন্দ অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এস য়ুনা এ এফ সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা এস য়ুনা এ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি।

## লীদস য়ুনাইটেদনা ৱেষ্ট হামবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ১৭ (এজেন্সি):
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং লীদস য়ুনাইটেদ অমসুং ৱেষ্ট হাম টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লীদস য়ুনাইটেদনা ৱেষ্ট হামবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থিবা পীখ্রে।

লন্দন ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১০ শুবা মিনিটতা লীদস য়ুনাইটেদকী মিদফিল্ডর জেক হরিসননা ৱেষ্ট হামগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেটচ অদুগী ৩৪ শুবা মিনিটতা ৱেষ্ট হামনা কোরনর কিক কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। কিক অদু টিম অসিগী দিফেন্দর আরোননা য়াম্না ফজনা কাউরকখি। মহাক্না কাউরকখিবা বোল অদু টিম মেট জারোদ বোৱেননা হেদ তৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্বদগী ১-১ দা মান্ননা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফকী ওইনা টিম অনীনা চাং মান্ননা শান্নখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা লীদস য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল অনী অদুগা ৱেষ্ট হামনা পাঞ্জল ১ চনখি। মেটচ অদু লীদস য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

## নুপীগীদা বি ঐচ, ৱাই সী সী আই সী (বি) নুপাগীদা কে ঐচ ঐচ এ, টি ঐচ ঐচ এ, টি দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস):
ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নুপীগী ওইনা বি ঐচ বিষ্ণুপুর, ৱাই সী সী আই সী (বি) অমদি নুপাগী ওইনা কে ঐচ ঐচ এ খোঙংমন, টি ঐচ ঐচ এ থৌবাল, টি দব্লিয়ু সী তৌবুংখোক মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা নুপী টিমগী ওইনা ৱাই সী সী আই সী (এ) অমসুং বি ঐচ টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অদু বি ঐচনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টরগী ১৪ শুবা মিনিটতা বি ঐচকী টি দাইনালিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টরদসু বি ঐচনা য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা অতোপ্পা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমসুং মরীশুবা ক্বার্টরদা বি ঐচনা পাঞ্জল অহুম মখা তানা চনবা ঙমদুনা পুন্না পাঞ্জল ৮ চনখি। অদুগা ৱাই সী সী আই সী (এ) গী ওইনা পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনবা ঙমদবদগী বি ঐচকী মখুত্তা ৮-১দা মায়থিখি।

অয়ুক পুং ৯.৪৫ তাবদা নুপী টিমগী অনীশুবা মেটচ ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং টি দব্লিয়ু সী অনীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিগী ওইনা ৱাই সী সী আই সী (বি) না কা হেন্না লাকচনা শান্নখিবনা মরম ওইরগা টি দব্লিয়ু সীগী প্লেয়রশিংনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর ফাওবদা টি দব্লিয়ু সী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অদুগা ৱাই সী সী আই সীনা পাঞ্জল ১৩ চন্দুনা মায় পাকখি।

অয়ুক পুং ১১.১০ তাবদা নুপাগী অহানবা মেটচ ৱাই সী সী আই সী (সী) অমসুং কে ঐচ ঐচ এগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিগী ওইনা ৱাই সী সী আই সী (সী) বু কে ঐচ ঐচ এনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা পুন্না পাঞ্জল ১৫ চনবা ঙমখি। অদুগা ৱাই সী সী আই সী (সী) গী ওইনদি পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ১৫-১ দা মায়থিবা নংখি।

অনীশুবা মেটচ নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ দগী শান্নবা হৌখি। ৱাই সী সী আই সী অমসুং টি ঐচ ঐচ এ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই সী সী আই সীবু টি ঐচ ঐচ এনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল কয়া হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর ফাওবদা টি ঐচ ঐচ এনা ৱাই সী সী আই সী টিমগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা ৱাই সী সী আই সীনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেটচ অদু টি ঐচ ঐচ এনা পাঞ্জল ৪-১ দা মায় পাকখি।

নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবদা ঙসিগী অরোইবা মেটচ টি দব্লিয়ু সী অমসুং এম এল ঐচ এ লংথাবাল টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ক্বার্টরদা টি দব্লিয়ু সীনা কা হেন্না লাকচনা শান্নদুনা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। মেটচকী অহুমশুবা অমসুং মরীশুবা ক্বার্টরদসু টি দব্লিয়ু সীগী ওইনদি মখা তানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা পুন্না পাঞ্জল ৮ চনখি। অদুবু এম এল ঐচ এ গী ওইনদি পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনখিদে। মেটচ অদু টি দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখি।

## তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):
থা অসিগী ৪ দগী হৌরগা ৬ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না জমসেদপুরগী বিষ্টুপুর মিলানী হোলদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা সুব্রতা ক্লাসিকেল নেসনেল অন-ইকুইপ (মেন এন্দ ৱিমেন) পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী শান্নরোই ৫ না মেদল লৌরকখিবা অদুবু নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

তরাক্না ওকপগী থৌরম অদু ডা. এস ইবোমচা (এম পি এস) কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। মহাক্না লুচিংদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবা অদুবু পৱারলিফটিং এসোসিএসন মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মসিগা লোয়ননা মেদল লৌরক্তুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোইশিং অসিনা মখা তানা তৌরু তৌরুবা থবক খুদিংমক মায় পাকপা ওইরসনু হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি রাকেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

JANTA DAL (UNITED) MANIPUR



SHRI RAJIV RANJAN SINGH
HON'BLE NATIONAL PRESIDENT
JD(U)

Wishes Beloved People of Manipur
A VERY HAPPY & PROSPEROUS NEW YEAR-2022



SHRI NITISH KUMAR
(HON'BLE CHIEF MINISTER
OF BIHAR)

PLEASE SUPPORT JD(U) FOR



SHRI HANGKHANPAO TAITHUL
EX-MINISTER
STATE PRESIDENT JD(U)

- REPEAL OF AFSPA, 1958.
- 35% WOMEN RESERVATION IN GOVERNMENT JOBS.
- 50% WOMEN RESERVATION IN LOCAL BODY ELECTION.
- FREE EDUCATION UP TO XII STANDARD.
- WORLD-CLASS SPORTS INFRASTRUCTURE.
- IMPLEMENTATION OF IMPHAL CITY RING ROAD PROJECT.
- SMART PARKING INFRASTRUCTURE IN IMPHAL.
- QUALITY HEALTHCARE AND FREE DIAGNOSTIC FACILITIES.
- CONSTRUCTION OF MEITEI PANGAL MARKET WITHIN THE IMPHAL MUNICIPALITY AREA.
- DEVELOPMENT OF IRRIGATION SYSTEM FOR OPTIMUM AGRICULTURAL PRODUCTION AND SUSTAINABLE INCOME GENERATION.
- INTRODUCTION OF NEW INNOVATIVE SCHEMES FOR UNEMPLOYED YOUTHS.
- TIMELY CONDUCT OF ADC, MUNICIPALITY & NAGAR PANCHAYAT ELECTION.


HL-P/1431/16,17,18

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR TWO WHEELER
SPECIAL OFFER FOR
CHRISTMAS & NEW YEAR
> INSURANCE(JPA)
> PRESSURE COOKER
> HELMET



L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,II.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7334/4/12-1/2

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 350

**Torres, Ju2 (2291) - Krysa, L. (2438)**
**51st World Juniors Athens GRE, 2012.08.13**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 | 4.Nf3 Bg7 |
| 5.Bf4 O-O | 6.e3 c5 | 7.dxc5 Ne4 | 8.Rc1 Nd7 |
| 9.cxd5 Qa5 | 10.Qc2 Nxc3 | 11.bxc3 Nxc5 | 12.e4 Bd7 |
| 13.Bc4 Ba4 | 14.Qe2 b5 | 15.Bd3 Bxc3+ | 16.Bd2 b4 |
| 17.Bc4 Bd7 | 18.Bxc3 bxc3 | 19.O-O Rfc8 | 20.Ne5 Be8 |
| 21.f4 Na4 | 22.Nc6 Bxc6 | 23.dxc6 e6 | 24.f5 Rxc6 |
| 25.Bb5 Rc7 | 26.f6 Nb2 | 27.Kh1 h6 | 28.Qe3 Kh7 |
| 29.a4 Nxa4 | 30.Bxa4 Qxa4 | 31.Rf3 Qa5 | 32.Rh3 g5 |
| 33.e5 Rg8 | 34. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 349 Ans. :**
30. ...Qf2 31. Qb5 Re1 32. h3 Rxf1+
32. ...Qxf1+ 33. Qxf1 Rxf1+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com